স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী মখাদা শেমগৎ শাগৎলিবশিং অথুবা মতমদা শঙ্গানবা থৌরাং তৌরেঃ এস রাজেন

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (ঐচএনএস): স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী মখাদা শেমগৎ শাগৎলিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর পুম্নমক অথুবা মতমদা শঙ্গারগনি হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেননা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পাৎশোই, নম্বোল অমদি ৱাঙ্গোই এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিশিংদা শেমগৎ শাগৎপগী থবক থৌরমশিং য়েংশিনবগী খোঙচত্তা মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মালোম মেঘ হায় স্কুলদা মিনিষ্টরনা টিচিং অমদি নন টিচিং ষ্টাফশিংগা উন্নখিবগা লোয়ননা স্কুলগী হৌজিক ওইরিবা বিল্ডিংগী ফীভম য়েংশিনখি।

স্কুলগী য়ুমথক কুপ্লিবা জিঙ্ঘ নৌনা শিন্দোক্লবা ইঞ্জিনিয়ারশিংদা খঙহনখিবগা লোয়ননা কেম্পস মনুং লু নান্না লৈহন্নবা মিনিষ্টরনা ষ্টাফশিংদা খঙহনখি। লৈমপোকপম গভর্ণমেন্ট পব্লিক হায় স্কুল য়েংশিনবা চৎপদা মিনিষ্টরনা নম্বোল এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ, এন লোকেনগা লোয়নখি।

তুংদা মিনিষ্টরগী টিম অদুনা নম্বোল নাওরেম জুনিয়র হায় স্কুলগী ফীভম য়েংশিনখি। ওইরল্লিবা ফীভম উরুবদা মিনিষ্টরনা স্কুলগী ময়েক শেংবা ঙমখে য়াৎথোক্লবা দিপার্টমেন্টকী মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা খঙহনখি।

মিনিষ্টরনা ভাতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এস টিকেন্দ্রগা লোয়ননা এল শানোই কোলেজগী ফীভম য়েংশিনখি। কোলেজগী টিচিং অমদি নন টিচিং ষ্টাফশিংনা অথুবা মতমদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ শাগৎপীবগা লোয়ননা বাউন্দরি ৱাল ফেন্সিং খাবিনবা মিনিষ্টরদা হায়জখি।

এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী টিম অদুনা নম্বোল কোলেজিয়েট হায় স্কুলগী ফীভমসু য়েংশিনখি। খোঙচৎ অদুদা মিনিষ্টরনা হায়খি, হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা পায়খৎলিবা স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী মখাদা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা তোঙান তোঙানবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংদা লৈব গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংগী ফীভম অমসুং অৱাৎ অপাশিং য়েংশিন্দুনা লাক্লি।

নোংমনা নীনিগী মনুংদা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি (এন ই পি) মপুং ফানা চৎনহন্নবগী মতাংদা সব-টাস্ক ফোর্স শেম্বগী ৱাফম লাউথোক্লগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অকোনবদা মিনিষ্টরনা য়ুম্নাম হুইদ্রোম গভর্ণমেন্ট হায় স্কুল য়েংশিনবা লাকপদা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ও লুখোইনা তরাম্না ওকখি। মিনিষ্টর অনীনা স্কুলগী শেমগৎ শাগৎলিবা পুম্নমক কুপনা য়েংশিনখি। হৌজিক হৌজিক পায়খৎলিবা স্কুলগী বিল্ডিং শেমগৎ শাগৎপগী থবক থৌরমশিং অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা মিনিষ্টর অনীনা দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংদা খঙহনখি।

মিনিষ্টরগী য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা এদ্যুকেসন (এস) ভেল্লিগী এদিসনেল দিরেক্টর কে ঐচ বিশেশ্বর অমদি এদ্যুকেসন ইঞ্জিনিয়ারিং ৱিংগী ওফিসিএলশিংসু লোয়নখি।

মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা গ্রোন্থি ফেসবুক লাইভতা শৈরেং পাথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (ঐচএনএস) : য়ু কেদা বেজ তৌবা দি গ্রোন্থিনা শিন্দুনা পাঙথোকলিবা ১০০ পোইট্স এরাউন্দ দি ৱর্ল্ড ফোর লভ হায়না মিংথোনবা দি গ্রোন্থি ফেসবুক লাইভ সেরিজদা মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবা শরচান্দ থিয়ামসু শরুক য়াবগা লোয়ননা ঙরাং মশানা ইবা মণিপুরী শৈরেংশিং অমসুং ইংলিসতা হন্দোকপশিং পাথোকখ্রে হায়রি।

থাংজ খুদিংগী শন্দোকপা থৌরম অসিগী ঙরাং ১৯শুবা ইপিশোদতা শক্লাইরবী ইন্দোনেসিয়ন-অমেরিকন কবি করিসা পুত্রিজয়েন্দ্রা, জিওরজিয়াগী শক্লাইরবা কবি জুরাব রটভলিঅশ্বিলি, বঙ্গলাদেশকী শক্লাইরবা কবি বিজেয় অহমদ অমসুং জহিদ শোহাগকা লোয়ননা ঙরাংগী শৈরেং পাবগী থৌরম অদুদা শরতচান্দ থিয়ামসু শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগী অখন্নবা ওইনা মালেমগী কবি ১০০ খনগৎতুনা শৈরেং পাবগা লোয়ননা মাগী-মাগী লোলদা শৈরেং পাদুনা মশাগী লোল অদুবু মালেমদা শক্তাকপগা লোয়ননা লোল অদুগী শৈরেং অদুসু খঙহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি শিনবনি হায়নসু দি গ্রোন্থিগী এদিটর ওইরিবা শামিম শাহননা ফোঙদোকখি। থৌরম অসিগী অরোইবা অমসুং ২০শুবা ইপিশোদসু লাক্লিবা থা অসিগী ১৪দা মালেমগী শক্লাইরবা কবি ৫না শরুক য়াদুনা লোয়শিল্লগনি হায়রি। ইপিশোদ অসি মালেমগী খনগৎলবা কবি ৫/৫না শরুক য়াদুনা হায়রিবা থৌরম অসি চৎথরকপনি। হায়রিবা থৌরম অসি হেক লোয়বগা থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা কবি ১০০না পাখিবা শৈরেংশিং ৱর্ল্ড পোইট্রি এন্থোলোজি অমা ওইনা দি গ্রোন্থিনা ফোঙগনি। লোয়ননা দি গ্রোন্থিনা শিন্দুনা লন্দনদা ইন্টরনেসনল পোইট্রি ফেষ্টিবেল অমসু পাঙথোক্কদৌরি।

নীংশিংবা য়াবদি হায়রিবা অখন্নবা থৌরম অসিদা মণিপুরগী শক্লাইরবী কবি মোইরাংথেম বোরকন্যানসু ওক্টোবর ১৭তা পাঙথোকখিবা ১৬শুবা ইপিশোদতা শরুক য়াদুনা মশানা ইবা মণিপুরী শৈরেং অমসুং ইংলিসতা হন্দোকপা শৈরেংশিং পাথোক্তুনা মালেমগী মীয়ামদা খঙহনখ্রবনি।

লমকোয় ৱারীগী লাইরিক ফোঙলগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (ঐচএনএস) : সাহিত্য থৌপাং লুপ (সাথৌলুপ)না মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দিরেক্টর ওফ টুরিজমগা খুৎশম্নরগা ২০১৯দা মণিপুরদা সঙাই ফেষ্টিবেলগী মরি লৈননা পাঙথোকখিবা ইম্ফাল লিটরেচর ফেষ্টিবেলদা শরুক য়াবা লাকখিবা বঙ্গলাদেশকী শক্লাইরবা কবি অহুম্না অহানবা ওইনা ইন্দিয়াদা খোঙদারকখিবগী চহী অমা মপুং ফারকপগী থৌরম অমা ঙসি বঙ্গলাদেশকী সিলেত্তা পাঙথোকখ্রে।

হায়রিবা ফেষ্টিবেল অসিদা বঙ্গলাদেশকী কবি অহুম, আবুল ফতেহ ফাত্তহা, মাধব রায় অমসুং আবিদ ফায়সালনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা ত্রিপুরাগী অইবা লাঙ্গোলজম বীরমঙ্গলসু শরুক য়াখি। ঙসিগী চহী অমা মপুং ফারকপগী থৌরম অসি ফেষ্টিবেল অসিদা শরুক য়াবা বঙ্গলাদেশকী সিলেত্তা লৈবা আবুল ফতেহ ফত্তাহগী য়ুমদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা বঙ্গলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদগী প্রিসিদেন্ট এ কে শেরামগা লোয়নন অতৈ মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। মণিপুরদা লাক্তুনা ইম্ফাল লিটরেচর ফেষ্টিবেলদা শরুক য়াবা ফংবা হায়বসি ফজবগী তুংনফম ওইরিবা মণিপুরবু শকখঙবতা নত্তনা মণিপুরী সাহিত্য অমসুং বঙ্গলাদেশ সাহিত্য অনীগী মরক্তা হেন্না নকশিন্ননবগী থোং অমা শারবনি হায়নসু আবুলনা ফোঙদোকখি। ফেষ্টিবেল অসিবু শিল্লিবা সাথৌ লুপ অমসুং স্পোন্সর তৌরিবা দিরেক্টর ওফ টুরিজমবুসু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

নিংশিংবা য়াবদি ফেষ্টিবেল অসি মমাং চহীগী নবেম্বর ২৬তগী ২৮ ফাওবা নুমীৎ হুম্নি চুপ্পা ইম্ফাল, লোক্তাক অমসুং ককচিংদা পাঙথোকখিবনি। ফেষ্টিবেল অসিগী মনুংদা খন্ননৈনবা, শৈরেং পাবা, অইবগা উনবা হায়বনচিংবা থৌরম কয়া পাঙথোকখি। লোয়ননা হি তোংদুনা কবিশিংনা লোক্তাকতা শৈরেং পাখিবনি। অসিগুম্বা কাউঙমদ্রবা ফেষ্টিবেল অসিদা শরুক য়াখিবা আবিদ ফায়সালনা বঙ্গলা লোলদা ইবা 'মণিপুর অল্পদুর' (মণিপুর য়াম্না লাপ্তে) হায়না মিংথোনবা লমকোয় ৱারীগী লাইরিক অমসু ইদুনা থা অসিগী মনুংদা ফোঙগদৌরি। লাইরিক অসিদা মখল-মথেল কয়াগী ফোটোগা লোয়ননা খোঙচৎ অসিগী মরিক চুম্বা ৱারী কয়াসু য়াওরি হায়না অইবা আবিদ ফায়সালনা ঙসিগী থৌরম অদুদা ফোঙদোকখি।

নুমিৎ নীনিগী মন্দল থাক্কী ত্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

থৌবাল, নবেম্বর ২৩ (ঐচএনএস) : কেন্দ্রিয়া প্রশিক্সান বিহাগ অমদি মন্দল প্রশিক্সান শিবিরগী শরুক অমা ওইনা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) মরিপুর প্রদেশ অমদি বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অমসুং লিলোং মন্দলনা শীন্দুনা বি জে পি লিলোং মন্দলগী ওইবা নুমিৎ নীনিগী মন্দল থাক্কী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি লিলোংদা লৈবা বি জে পিগী হান্নগী কেন্দিদেট এম দি অনৱারগী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এস টিকেন, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট এ সরদা অমসুং বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট য়ুম্নাম কুমারজিৎনা দেজ মেম্বরশিং ওইখি। ত্রেনিং অদুগী ঙসি অহৌবা নুমিৎকী অয়ূক্কী সেসন্দা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী সেক্রেটরি এম প্রিয়োকুমারনা 'ভিচার পরিভার' হায়বা অসিদা অমসুং বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ত্রেনিং দিপার্টমেন্টকী ষ্টেট ইন চার্জসু ওইরিবী বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট এ সরদানা 'ইফোর্টস মেদ টুৱর্দর্স অন্টোদয়া ইন লাষ্ট সিক্স য়রস' হায়বা অসিগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি।

নুংথিলগী সেসন্দা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ফাউন্দর এগজিক্যুটিভ মেম্বর টি ঐচ য়ুমজাওনা 'ইন্দিয়াস আইদিওলোজিকেল ম্যেনষ্ট্রিম : অৱার আইদিওলোজি' হায়বা হীরম অদুগা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ফোর্মর প্রসিদেন্ট এম ভোরোটনা 'বি জে পি এন্দ অৱার রেসপোন্সিবিলিটি অফটর ২০১৪' অমসুং বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ত্রেনিং দিপার্টমেন্টকী কো-কনভিনর ডা. এন চাউবনা 'পর্সনেলিটি দিভলপমেন্ট' হায়বা হীরম অসিদা রিসোর্ছ পর্সনশিং ওইনা ৱা ঙাঙখি।

ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিগী হয়েং অরোইবা নুমিত্তা বি জে পিগী সেনিয়র লিদরসু ওইরিবা খাদি বোর্দ মণিপুরগী সেক্রেটরি ৱাই নিলমনিনা 'হিষ্ট্রি এন্দ দিভলপমেন্ট ওফ বি জে পি' হায়বা হীরমদা, বি জে পি মরিপুর প্রদেশকী ভি পি এন নিম্বসনা 'য়ুজিং সোসল মীদিয়া ইফেক্টিভলি' হায়বা হীরমদা, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি পি প্রেমানন্দা মীতৈনা 'অৱর ৱর্কিং সিষ্টম এন্দ রোল ইন ওর্গনাইজেসন ষ্ট্রকচর' হায়বসিদা অমসুং এম দি এসকী চেরমেনসু ওইরিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ফোর্মর ভাইস প্রসিদেন্ট এম অশিনিকুমারনা 'ষ্টেট গভর্ণমেন্ট এচিভমেন্ট এন্দ দিভলপমেন্ট'স প্রোগ্রাম' হায়বা হীরমশিং অসিদা রিসোর্ছ পর্সনশিং ওইনা শরুক য়াদুনা ৱা ঙাঙগনি হায়রি।

লেম্না হেপাটাইটিস টেষ্ট তৌবগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

PRESS CONFERENCE
In connection with
International Testing Week
(November 23-29, 2020)
Conference Hall, Community Network for Empowerment
SUPPORTED BY COALITION PLUS

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (ঐচএনএস) : হৌজিক-হৌজিক কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌথোকপা মরুওই হায়না লৌনবগুম ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক্না ভাইরেল হেপাটাইটিস লায়না অসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবগীদমক কোন অমদি এন ভি ঐচ সী পিগা খুৎশম্নরগা ইন্টরনেসনল টেষ্টিং ৱিককী থৌরমগা ইরোইননা চয়োল অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা লেম্না হেপাটাইটিস টেষ্ট তৌবগী থৌরম অসিদা লাকপিদুনা হেপাটাইটিস টেষ্ট তৌথোকপীয়ু হায়না ঙসি কম্যুনিটি নেটৱর্ক ফোর ইম্পৱারমেন্ট (কোন)না শিন্দুনা কৈশামথোং হোদাম লৈরক মচিন্দা লৈবা কোনগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউজী মীফম অমদা নেসনল ভাইরল হেপাটাইটিস কন্ট্রোল প্রোগ্রাম (এন ভি ঐচ সী পি) গী ষ্টেট নোদল ওফিসর দা. আর কে রোজিনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউজী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তানা হায়, হেপাটাইটিসনা নারকপা য়াবগী চাং অসি অয়াম্বনা ইঞ্জেক্টিং দ্রগ য়ুজর (আই দি য়ু) , ফিমেন সেক্স ৱর্কর, মেন হেবিং সেক্স মেন হায়রিবা মীওইশিংদনা হেল্লি। হেপাটাইটিস টেষ্ট তৌথোকপগী কান্নবা কয়া অমা লৈ। টেষ্ট তৌরবা মতুংদা করিগুম্বা পোজিটিভ ওইরল্লগদি মাংজৌননা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং মতম চানা লৌখৎপা ঙমগনি। লোয়ননা লায়না অসি অতোপ্পা মীওইদা শন্দোকপা হায়বদুসু ওইরোই। টেষ্ট অমদি ট্রিটমেন্ট তৌবদা শেল চঙগদবা লৈতে। মরম অদুনা হেপাটাইটিসনা নারমগনি হায়না চিংনবা লৈরগদি মনাক নকপা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিং, রিমস অমসুং জেনিমস অমদি ববিনা দাইগ্নোষ্টিক সেন্টরদা লাক্তুনা লেম্না টেষ্ট তৌবগা লোয়ননা ট্রিটমেন্ট তৌবগী খুদোংচাবা লৌবিয়ু হায়খি।

মমাং চহিদা হৌদোকখিবা এন ভি ঐচ সী পিগী মখাদা চহী অসিগী ওক্টোবর ফাওবদা মীওই লিশিং ২৫ রোম হেপাটাসটিস টেষ্ট তৌখ্রে। মসিগী মনুংদা পোজিটিভ ওইরম্বনা মীওই ৮৫৮ থেংনখি। ভাইরেল লোদ তৌখিবা মীশিংনা ৭৫৯নি, মসিগী মনুংদা পোজিটিভ ওইবা মীশিংনা ৬৫৬ পোজিটিভ ওইনা দিটেক্ট তৌখি। মীওই ৬২৭না ট্রিটমেন্ট তৌখ্রে। মপুং ফানা ট্রিটমেন্ট তৌবদগী ফম্লবা মীওই ৪৬৫ অসিগী মনুংদা অমুক হন্না হেপাটাইটিসকী মহীক লৈরিবরা নৎত্রগা মপুংফানা ক্যুর ওইরবরা হায়না মীওই ১৭৮সু টেষ্ট তৌখ্রে। হায়রিবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা কম্পলিট ক্যুর ওইবা মীশিংনা ১৬০ শুখ্রে হায়খি।

চয়োল অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা হেপাটাইটিস টেষ্ট তৌবগী থৌরম অসি ক্বাকৈথেল, ককচিং, থৌবাল, মন্ত্রিপুখ্রি, খাঙবোক অমদি উল্লৌগী মফমশিংদা পাঙথোক্কনি। করিগুম্বা হায়রিবা মফমশিং অসিদা লাকপা খুদোংচাদবা য়াওরবসু দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিং অমদি জেনিমস অমসুং রিমস হোস্পিটালদা লেম্না হেপাটাইটিস টেষ্ট তৌবিয়ু। কুমজা ২০২৩ ফাওবগী মনুংদা ইন্দিয়াদগী হেপাটাইটিস মুথৎনবগী পান্দম অসি ফংবা ঙম্নবা হোৎনবদা লৈবাক মীয়াম্নসু অচৌবা থৌদাং লৌবিয়ু হায়নসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কোনগী প্রসিদেন্ট আর কে নলিনিকান্তানসু ফোঙদোকখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ববিনা দাইগ্নোষ্টিক সেন্টরগী দিপ্যুটি জেনরেল মেনেজর চোংথাম কুলেশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা কোন অমদি এন ভি ঐচ সী পিগা খুৎশম্নরগা পাঙথোক্লিবা হেপাটাইটিস টেষ্ট তৌবগী থৌরমশিংদা মমাংগুম্না মখা তানা অঙওম্বা মতেং পাংগনি হায়খি।

লৌশিং পুক্কে

ইশাগী হকচাংগীদমক খন্দুনা য়ামদ্রবদা থা অমমুক্তং ওইরবসু য়ু থকপা লেপ্পবা ফিরেপ লৌরসি

য়ামদ্রবদা থা অমত্তং ওইরবসু য়ু থকপা লেপকে হায়বা ফিরেপ অসি ঐখোয়গী হকশেলগীদমক্তদি খ্বাইদগী ফবা ফিরেপ্নি হায়না বৃটিষ রিসর্ছর অমনা হায়খ্রে।

অলকোহোল চেঞ্জ য়ুনাইটেদ কৌবা ওর্গনাইজেসন অমনা মীয়াম্বু চহীগী অহৌবা শরুক্তা থা অমা য়ু থকপা লেপ্পবগী পুক্নীং থৌগৎপা ওইনা দ্রাই জন্যুৱারি কৌবা কেম্পেইন অমা হৌদোকখ্রে।

অলকোহোল চেঞ্জ য়ুনাইটেদ হায়রিবা ওর্গনাইজেসন অসি য়ুনাইটেদ কিংদমদা বেজ তৌবা ওইজরগসু মালেমগী মফম কয়াদগী মীওই লিশিং কয়ানা কেম্পেইন অসিদা য়াওনবা ফিরেপ লৌনরক্লে।

য়ু চাং নাইনা থকপা হায়বসি কেন্সর, লিভর দিজিজ অমদি কার্দিভাস্কুলর দিজিজশিং নাহল্লক্লবগী অচৌবা মরম অমা ওইরিবনি। মরম অদুনা নুমিৎ ৩১ নি য়ু থকপা লেপ্পা অসিনা হকশেলদা কান্নবা খরা ফংগনি হায়বসি য়াম্না লায়না খঙবা য়াবা ৱাফম্নি।

অদুবু য়ুনাইটেদ কিংদমগী ফাল্মরদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ সসেক্সকী টিম অমনা চৎথবা ষ্টদি অমদা থা অমখত্তং য়ু থকপা লেপ্পনা পুন্সিদা কয়ামুক য়াম্না কান্নবা পীবগে হায়বদু খঙবা ঙমখি অমদি ফংলিবা কান্নবা অদু পুন্সি চুপ্পগীনি হায়না ফোঙদোকখি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ সসেক্সকী ডা. রিচার্দ দে ভিসরনা লুচিংখিবা রিছার্স অদুনা কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোকখিবা দ্রাই জন্যুৱারীদা শরুক য়াখিবা মীওইশিং অদু ইনর্জি লৈবা হেল্লকপা অমদি মখোয়গী হকচাংগী অরুম্বী চাংসু হন্থরকপা থেংনরকখি। কেম্পেইন অদু য়াওরুরবা মতুং থা কয়া ফাওবদা মখোয়না য়ু থক্লীংবা ফাওবগী চাং য়াম্না হন্থখি।

ডা. দে ভিসর অমসুং মহাক্কী টিম্না দ্রাই জন্যুৱারীদা শরুক য়াখিবা পার্টিসিপেন্টশিংদগী ওনলাইন সর্ভে অহুম তৌদুনা খোমগৎলকখিবা দেটাশিং অদু নৈনরম্মী। মীওই ২,৮২১ না কেম্পেইনগীদমক রেজিষ্টির তৌবা মতম জন্যুৱারী হৌগৎলকপদা সর্ভে অদুগী পাউখুম পীরকখি। ফেব্রুৱারীগী অহানবা চয়োলদা পার্টিসিপেন্ট ১,৭১৫ না সর্ভে অদু লোইশিল্লকখি। মসিদগী পার্টিসিপেন্ট ৮১৬ না ওগষ্টতা অহেনবা দেটাশিং থাগৎলকখি। মদুদগী রিছার্সরশিং অদুনা থা অমা য়ু থকপা তোকপনা পার্টিসিপেন্টশিং অদুনা মতুং তারকপদা য়ু থকপগী চাং হন্থহনবদা মতেং পাংই হায়বা রিছার্সরশিংনা থেংনখি। হান্না দ্রাই জন্যুৱারী কেম্পেইন য়াওদ্রিঙৈ মমাঙদা চয়োল অমদা চাংচত্তা নুমিৎ ৪.৩গী চাংদা য়ু থক্লম্বা মীওই অদু কেম্পেইন অদু য়াওরুরবা মতুংদদি চয়োল অমদা নুমিৎ ৩.৩ গী চাংদা হন্থরকখি।

মসিদসু নত্তনা থা অমা য়ু থকপা লেপ্পুবা মীওইশিং অদু চহী অদুগী মখা তারকপা মতমশিংদা য়ু ঙাওবগী চাং য়াম্না নেম্লম্মী। য়ু কা হেন্না থকচীনবগী চাংসু হান্না থা অমদা ৩.৪গী চাংদা ওইরম্বা অদু কেম্পেইন য়াওরুরবা মতুংদদি থা অমদা চাংচত্তা ২.১ গী চাংদা হন্থরকখি। তশেংনা হায়রগদি দ্রাই জন্যুৱারীদা য়াওরুবা পার্টিসিপেন্টশিং অদু চাং হন্থনা য়ু থকপসু হৈনরম্মী। মখোয়না হান্নদি য়ু থকপা নুমিৎ অমদা চাংচত্তা য়ুনিট ৮.৬ কী চাংদা থক্লম্বা অদু কেম্পেইন অসিগী মতুংদগীদি য়ুনিট ৭.১ দা হন্থরকখি।

থা অমখত্তং য়ু থকপা লেপ্পগী য়াম্না চম্বা থৌওং অসিনা মতম শাংনা য়ু থকপগী চাং হন্থহনবদা মতেং পাংই, মসিগী মতুংদা ওগষ্ট থাদগীদি পার্টিসিপেন্টশিং অদু চয়োল খুদিংগী য়ু থক্তবা নুমিৎ অমমম থল্লে হায়না ডা. দে ভিসরনা ফোঙদোকখি। থৌওং অসিনা খুদক্কী ওইনা কান্নবা কয়াসু ফংহল্লি। মখোয়শিং অদুদি মীওই ১০ গী মনুংদা ৯ না শেল তুংশিনবা ঙল্লম্মী, মীওই ১০ গী মনুংদা ৭না নীংথিনা তুম্বা য়ারম্মী অদুগা মীওই ৫ গী মনুংদা মীওই ৩ না হকচাংগী অরুম্বা হন্থরম্মী হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মসিমসু হায়খি মদুদি, থা অমা চুপ্পা য়ু থকপা লেপ্পা অসি য়াম্না ফৈ অদুবু থা অমদুমক ফাদ্রগসু নুমিৎ খরনিখত্তং ওইরবসু য়ু থকপা লেপ্পদা হকচাংদা কান্নবদি অদুম্মক ফংই।

য়াম্না নুংঙাইবা ৱাফম অমনা য়ু থকপা লেপ্পগী কেম্পেইন অসিদা য়াওরগসু থা অমা চুপ্পা য়ু থকপা লেপ্পবা হোৎনখিদবা পার্টিসিপেন্টশিংদসু কান্নবাশিং অদু খরদি হন্থরবসু উবদি ফংখি। মসিনা দ্রাই জন্যুৱারী অসি মপুঙ ফানবা হোৎনবখত্তনসু কান্নবা অদুম ফংই হায়না রিছার্সরশিংনা ফোঙদোকখি।

কেম্পেইন অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ফিজিকেল, মেন্টেল অমসুং শেল-থুমগী লমদা কান্নবা কয়ামরুম ফংখি। পার্টিসিপেন্টশিংগী ৯৩% না য়ু থক্তবা থা অদু লোইশিল্লকপদা মখোয়গী পান্দম অদু ফংবগী নুংঙাইবা ফাওখি। ৮৮% না য়ু থকপদা চঙ্গদবা শেনফমশিং কনবা ঙমখি, ৮২% না য়ু থকপনা পীবা কান্নবা-কান্নদবগী মতাংদা খঙবা হেল্লকখি, ৭১%না নীংথিনা তুম্বা নুংঙাইরে হায়রম্মী, ৭০%না হকচাং ফগাৎলম্মী, ৬৭%না মখোয়গী ইনর্জি লেবেল হেনগৎলম্মী, ৫৮%না অরুম্বা হন্থরম্মী, ৫৭%না কন্সেন্ত্রেসন হেনগৎলম্মী, ৫৪%না স্কিন হেল্থ ফগাৎলম্মী।

দ্রাই জন্যুৱারীদা মরু ওইরিবসি জন্যুৱারী অদু নত্তে, ঐখোয়না নুংঙাইনা মতম লেনবা, পোত্থাবা অমদি মীরক তীনবদা য়ু মথৌ তাদে হায়বা খঙহল্লিবসিনি হায়না অল্কোহোল চেঞ্জ য়ু কেগী সি ই ও ডা. রিচার্দ পাইপরনা হায়খি।

লমদম অসিদসু থৌদোক-থৌরম অমা তৌবা খুদিংগী য়ু য়াওদ্রবদি মপুং ফাদবগুম লৌনরিবা অসিনা মরম ওইরগা ঙমখৈ লৈত্রবা চৈথেং কয়া পীরি। চৈথেং কয়া অসিদগী খরদা ওইরবসু নাম্থোকপা ঙম্নবা য়ু থকপা মীপুম খুদিংমক্না য়ামদ্রবদা থা অমতং ওইরবসু য়ু থকপা লেপ্পনবা ফিরেপ লৌমিন্নরসি।

ফেষ্টিবেল লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩ (ঐচ এনএস) : ইনফোর্মেসন সেন্টর, ককচীং পৌশুপাৎ লৈকায়দা ৱিমেন্স সোসাইটি ফোর কলচরেল হেরিটেজ, ককচীংনা শীন্দুনা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী তেংবাঙ মখাদা 'টু দেস ফেষ্টিবেল ওফ মণিপুরী ফোক সোং, দান্স এন্দ ম্যুজিক কম্পিটিসন' লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা কোরোনা-ভাইরসতগী কন্ননবা চেকশিন থৌরাং ঙাক্না চৎথখি। ক্ষেত্রিময়ূম গোদাধর, নেসনল সেনিয়র ফেল্লোসিপ, ভিজিটিং গুরু জে এন দান্স একাদেমি, ইম্ফালনা চীফ গেষ্ট, নাওরেম সনাহল, হান্নগী প্রসিদেন্ট ৱিমেন্স সোসাইটি ফোরম কলচরেল হেরিযেজ ককচীংনা প্রসিদেন্ট, নাওরেম অমুয়াইমা ভাইস প্রসিদেন্ট রাইটরস এসোসিএসন ককচীং অমদি ক্ষেত্রিময়ূম সুনিতা লেকচরর, ককচীং হায়র সেকেন্দরি স্কুল ককচীংনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। নাওরেম নৱাং, কলা ভুষননা মোইবুং খোংদুনা শক্লাইরবশিংনা মৈরা চুখৎখি। এলাংবম ওকেন মৈতৈনা পেনাগী শৈহৌ শকপীখি। সোসাইটিগী হান্নগী সেক্রেটরি বিনাশখি ময়াংলম্বমনা সোসাইটিনা হৌখিবা চহী অহুমদা পাঙথোকখিবা থবকশিংগী চাওরাকপা রিপোর্ট পীখি। নাওরেম চন্দ্রমনি রিটয়ার্দ টিচর ককচীং খুনয়াই লৈকায়না অখন্নবা ৱাঙাঙলোই ওইনা ফোক কলচরগী মতাং অমদি বীরমঙ্গল মোইরাংথেম্না ইন্ত্রোদক্সন টু মণিপুরী ফোক কলচরগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

অব্দুল মনাল, থৌবাল মোইজিং

কোভিদ-১৯গী অচৌবা চৈথেংগী মরক্তা লমদম অসিদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক দ্রগকী চৈথেংসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। ম্যেনমারগী বোর্দরদগী পুশিল্লকপা দ্রগশিংগী মথক্তা লমদম অসিদা দ্রগ শুংবগী থবক তৌরকপা অসি য়াম্নমক লাইবক থীবা থৌদোক অমনি। মরম অদুনা লমদম অসিগী চিংমি-তম্মি খায়দনা পুম্নমক্না ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী মায়োক্তা পুন্না লেপমিন্নবা চঙই। চিংগী লমদা পোপি পাম্বী কয়া থারিবা অসিদা চিংগী ইচিন-ইনাউশিংনসু কুপ্না য়েংশিনবিদুনা হৌরক্লিবা মীরোলবু মাংহল্লিবা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী মায়োক্তা লেপ্পদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নবগী তাঙাইফদবা লৈ। হৌজিক ষ্টেট অসিগী মফম অয়াম্বদা ময়াই কাবা দ্রগকী পোৎলমশিং য়াম্না লায়না ফংলি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। লৈঙাক্লসু দ্রগ ললোনবদা চেন্নবা মীওই কয়া ফানবা হোৎনরি। অদুবু ময়াই কাবা দ্রগ অদু কদাইদগী পুরকপনো হায়বদু চপচানা থীদোকপীদুনা চেন্নবা মীওইশিং অদু ফাদুনা অকনবা চৈরাক পীবিয়ু। শুপ্নগী দ্রগ পুদুনা লাকপা মীওইশিং অদু ফাবনদি দ্রগ মুথৎপা ঙল্লোই। দ্রগ অদু কদাইদা শুংবনো হায়বদু খঙদোকপা অমা চঙই। লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চিঙ্গাক মরু ফংনা মুথৎপদা চিং-তম অনীদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী অচৌবা থৌদাং লৈ হায়বসি খঙমিন্নসি।

মাইবম সোমেন, লাংমৈথেৎ ময়াই লৈকায়

ভোট লোইখ্রে চাওখৎপগী লম্বীদি কদাই? বাই ইলেক্সনদা থাদখিবা শেলফম অদুনা লম্বী শেম্লল্লবদি এ সীগী লম্বীশিং করিগী পুম্লং লংলোই? কেন্দিদেট অমনা য়ামদ্রবদা ক্রোর ১৬/১৭কী চাংদা চঙলমগনি। শেনফমশিং অসি কনানা লৌরিবা? করম্না কেন্দিদেটশিংনা চাওখৎ মায়কৈদা খোঙকাপ লাউনা থাংগদৌরিবা? মীয়াম্না মদুগী পাউখুম পীফম থোকই। ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ভোটকী মৈ চুখৎপা হৌরক্লে। কেন্দিদেট অমনা নোংমদা লুপা লিশিং ৫/৬ লোম ফাওবা চঙই। নুমিদাংৱাইরমদা ভোটরশিংনা কেন্দিদেটকী ইমুংদা শানৈ-য়ুনৈবা, নুপীশিংনা ক্বা চাবগী থবক চৎথনরি। মদুনা কেন্দিদেটশিংবু নুংশিবা শারি। দিসেম্বরদগী মার্চ ফাওবদা কেন্দিদেট অমনা শেল কয়াম চৎখি। অমুকসু ভোট নুমীৎতা শেল কয়াম থাদগনি। থৌওং অসিনা তুংদা খুঙ্গং অমদি সিটি কয়াম চাওখৎলক্কনি? তুংগী চাওখৎ থৌরাং য়েংলগা মীয়াম্না শেল লৌবা শানৈ-য়ুনৈবা তোকপিরো। কেন্দিদেটশিংনসু শেল শুকথা থাদদ্রবদি করম্না শেল লৌগনি হায়বসি খন্থবা মতম ওইরে। ভোট লোয়রে কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌরি, পোজিটিভ ওইবসু হেনগৎলক্লি। মীওই খরদি টেষ্ট তৌবা থোক্নরক্তরি, মসিনা কদাই ফাওবা চুম্মী লাল্লি হায়বদু লেপ্পিরো।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৪।১১।২০২০ ইং, লৈবাকপোকপা,
হিয়াঙ্গৈগী ১০নি পানবা।

মেষ : নরলদা মীতাবা য়াম্মী-অরোন অথুপ ঙাওথোক্নু অমদি হন্থবা লোয়নগনু। নাইতোম ৱারেপ লৌবা য়াখিরোই। মরুপকী মতেং অমদি লাইবক ফবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱারৌনবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ : মরুপ খনবা হৈত্রবদি ইমুংদা লন মাঙবগুম থোকপা য়াবা লৈ। নোল্লুকপা অদুবু থৌনাদি ফুদোকপনা শেল-থুম অমদি অনিংবা থবক পাংবদা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন : মীপাইরম্বা কোকচদুনা অনিংবা থৌরম পাংবদগী লন চাওখৎপা ওইরগনি। থেংলপ্না লল্লোন ইতিক্তা চাওনা মায় পাকচগনি। অরং অরাকতি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাঙাঙ হৈত্রদি চোপকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

কর্কট : পাউ নুংঙাইবা তাবা, য়েক্লববু লাকশিনবা ঙমজবা অমদি নথক থোংবনা চানবীবা ওইরগনি। অচুম্বনা মায় পাকপসু উবা ফংগনি। খুৎ চাওবদি য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী - অথেংবদা লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

সিংহ : নুংথিল ফাওবা লাইবক ফবা, নীংবদুমক পাংবা অমদি শেন্দোং চাওনা ফংবা লৈ। পাইরক্কী লৌশিং শোল্লি অমদি মরুপ মপাংগা অনম তান্নগনি-তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা লুনা খনবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : লাইবক ফৈ, নীংবা থুংই, লল্লোন ইতিক্তা শেন্দোং চাওনা ফংজগনি অমদি মীচং লৈ। অশাওবা/মরী মতানদি মাঙহনবা অমদি নুংঙাইহন্দবা পীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা লুম্না লৌই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

তুলা : অয়ুক্তদি কান্নফম খঙদবা লৈরসু থেংলপ্না অনীংবা পাংগনি অমদি শেল থুম ফংজনি। নথক থোংবদা নত্তনা মরুপকা ফাওবা য়েৎনগনু-মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - য়েৎনরুনু-মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : নাপল তৌরদি য়েক্লবা চাওখৎকনি অমদি লৈফম খঙলোই। হুরানবা/অনা-অয়েক্তগী চেকশিল্লু, ইমুং-মনুং শাওনদনবা হোৎনবা অফবা খোঙথাংনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্লিং ফাথবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

ধনু : নুংথিল ফাওবা নীংবা মপা চাগনি অমদি অনৌবা থৌরমদগীনা হেন্না কান্নবা লৈগনি। অশাওবা, নাপল অমদি হন্থবা লোয়নবনা লম্ অয়াম্বদা মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ফিংবনা মরী ফহল্লোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

মকর : নুংথিলদা নীংজবা থুংগনি, শেন্দোং ফংগনি অমদি ইমুং মনুং ৱা তাননা পাংবা খুদিং কান্নগনি। অফা অপুন অমদি লৌশিং তান্নবৈ লম্দা য়াওদবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্বা : নুংথিল ফাওবা অনীংবা অফবা থবক খুদিং পাংবা ঙমগনি। চিংনবা পোকপা, লৌশিং ফুদোকপা ৱাবা অমদি কিবা লৈগনি-লৌশিং চাওবগী ৱা তাবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/ফৌ।

মিন : য়েক্লবনা নথক থোংবদা পাউথোকপিবা লৈগনি-নোল্লুক্না চৎপা ফৈ। মীয়াম্নদি য়াগনি অমদি খল্লুদবা মরমদৈ কান্নবা ঙসিসু ফংগনি। নুংথিলদা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।